ইজরেল অমসুং সাউদি অরাবিয়ানা লোন্না মীফম পাঙথোক্কুনা ইরানগী মতাংদা বাইদেনদা অকনবা পাউজেল পীখ্রে

রিয়াধ, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী) : পুৰারীদা লৈহৌরগদবা মওংদা ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর অমসুং সাউদি অরাবিয়াগী ক্রাউন প্রিন্সকী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোক্কুনা যু এস য়াওনা মীচংশিং অমসুং য়েক্লবশিং লৈবাক অনীমক্লা মখোয় অনীগী য়েক্লবা ওইরিবা ইরান লাকশিন্নবগী অচেৎপা ফিরেপ লৈ হায়বসি উৎখ্রে।

ইজরেলি ওফিসলশিংনা কনফর্ম তৌখিবা অদুবু রিয়াদনদি ফোংনা লাউথোকখিদবা হৌখিবা চয়োলদা সাউদি অরাবিয়াগী সিটি নিওমদা পাঙথোকখিবা অরোনবা মীফম অদুনা যু এসকী প্রসিদেন্ট খল্লবা জো বাইদেনদা মফম অদুদা লৈরিবা ৱাশিংটনগী মরু ওইবা মীচংশিং ইরানগী মতাংদা চপ মান্নবা অচেৎপা ফীরেপ লৈ হায়বগী ইঙ্গিৎ পীখি।

মদু ইজরেলি লিদর অমনা সাউদি অরাবিয়াদা চৎপা অহানবা ওইনা মীদিয়াগী খৃথাংদা ওফিসল ওইনা কনফর্ম তৌখিবা ইজরেলি লিদর অমগী খোঙচৎনি। লৈবাক অনীগী মরক্তা দিপ্লোমেটিক মরী থম্নরকখিদবনা নাকল অনীগী মরক্তা অসুম্না মীফম পাঙথোকপা হায়বসি হান্নদি ওইথোক্তবা অমা ওইরম্মী। তৌইগুম্বসুং মীফম অদুনা ইরানগী ৱাফম লৈবাক অনীনা হকচিন্না লৌই অমসুং ইরানবু য়ানীংদবগী মতাং অসি মিদল ইষ্টকী লৈবাকশিংগী মরক্তা মতম কুইরবগী তুংদা অমত্তা ওইনা তাথোক-তাশিন তৌনবগী ফীভম অমুক লাকহল্লে হায়বসি উৎলি।

খোঙচৎ অদুগী মতাংদা হংবদা ইজরেলি কেবিনেট মিনিষ্টর জাচি হনেগবিনা ইজরেলগী আর্মি রেদিওদা হায়খি, মদু ইরানগী ৱাফমগা মরী লৈননা চৎপা খোঙচৎনি। ইরানবু নাইতোম তাহন্নবগী এক্সিস অমা শেন্বা হায়বসি য়াম্না মরু ওই।

সাউদি অরাবিয়াগী দি ফেক্টো রুলর ক্রাউন প্রিন্স মোহম্মদ বিন সালমান অমসুং ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটনয়াহু অনীমক যু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পনা কন্না শৌগৎখি অমসুং মখোয়গীদমক্তা ইরানগী মায়োক্তা মহাক্না অঙন্বা থাক্তা প্রেসর পীখি।

মখোয়না হৌজিক কিরিবদি প্রসিদেন্ট ইলেক্ট জো বাইদেননা বরাক ওবামাগী প্রসিদেন্সি মনুংদা চংনখিবগা মান্নবা পোলিসিশিং ইরানগী মতাংদা চংনহল্লক্কদ্রা হায়বসিনি। ওবামাগী পোলিসিশিং অদুনা ৱাশিংটন অমসুং লমদম অদুগী মহৌশাগী মীচংশিংগী মরক্তা লৈরিবা মরীদা অকায়বা লাকহনখিবনি। করিগুম্বা টেহরান্না ইন্টরনেসনল ন্যুক্লিয়র পেক্টকী ৱারোলশিং অমুক হন্না চেকশিন্না ঙাক্লকপা তারবদি যু এসনসু পেক্ট অসিদা অমুক হন্না য়াওশিন্দুনা মীচংশিংগা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা মদুগী টর্মশিং হেন্না চেৎশিনহল্লগনি হায়না বাইদেননা ফোঙদোকখ্রবনি। কুমজা ২০১৮দা ত্রম্পনা পেক্ট অসিদগী ৱিথদ্রো তৌখিবনি।

চানবা পোৎলমশিং লৈররোই : য়ু এন

জিনিভা, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী) : লাল শোক্করিবা পার্টিশিংনা অৰাবা তারবশিংনা শীজিন্নগদবা পোৎলমশিং পুশিনবা য়াহন্দ্রবদি মথং চয়োল ফাওবগী মনুংদা ইথিওপিয়াগী টিগ্রে রিজনগী ইরিত্রিয়ন রেফ্যুজি ১০০,০০০ রোম চান-থক্নবা পোৎলমশিং ফংলরোই হায়না ইরাই নুমিৎতা যু এন রেফ্যুজি এজেন্সীনা ফোঙদোকখ্রে। টিগ্রেদা অরোইবা তাঙ্কক্কী লান্দা চংথবা হৌরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমদনা ফোঙদোকখিবা মতুং ইরাই নুমিৎতা অফ্রিকাগী পিছ এনভোইশিংনা অবিগা উনখি। রাইটস গ্রুপশিংনা হায়রিবদি ইথিওপিয়ন মিলিটরিগী অরোইবা লান্দা অদুনা মীচমশিং মশীং য়াম্না মীশি মীনাগী চাং হেনগনি হায়বসিনি। যু এন ঐচ সী আরগী মতুংইন্না টিগ্রেগী কেম্প মরিদা ইরিত্রিয়ন রেফ্যুজি ৯৬,০০০ লৈ। রেফ্যুজি কয়া অমসু হন্দক্ত খুৎ থোক্লখিবা মফমশিংগা নক্লনা লৈ। টিগ্রেদা মখা তানা ষ্টাফ থল্লিবা যু এননা লমদম অদুদা অৰা তেংবাঙগী পোৎলমশিং পুশিনবা য়ানবা কন্ফ্লিক্ট অদুগী পার্টিশিংগা ৱারী শানরক্লবসু হৌজিক ফাওবদি মখোয়গী ফিরেপ্তা অহোংবা লাকপগী মমি উদ্রি।

হি তোংলগা হোং কোংদগী চেন্নবা হোৎনখিবশিং চাইনানা চার্জ তৌরগনি

হোং কোং, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী) : থা অহুম হেনবগী মমাঙদা স্পীদবোট অমা তোংলগা হোং কোংদগী চেন্নবা হোৎনরিঙৈদা ফাদুনা চাইনাদা দিটেন তৌখিবা সিটি অসিগী মীওই ১২ অদু লোনা য়াদবা মওংদা বোর্দর লান্নবা হোৎনবগী মরাল শীরগনি হায়না ইরাই নুমিৎতা চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

এন্টি-গভর্ণমেন্ট প্রোটেষ্টশিংগা মরী লৈননা হোং কোংদা মরাল কয়া শীবা লৈখ্রবা মীওই ১২ অদু দিমোক্রেসি চৎপা টাইৱান য়ৌনবা হোৎনবদা সমুদ্রদা ফাখিবদগী চাইনিজ মেনলেন্দগী জেল অমদা ঈ-পাউ অমত্তা ফাওনহন্দনা থল্লকখি।

দিটেনিশিংদুগী মনুংদগী অমগী মরী মতা অমনা ইরাই নুমিৎতা এজেন্সীদা ৱা ঙাঙলদুনা মীওই ১২ অদুগী লিগেল প্রোসেস চীংননিংঙাই ওই হায়খি। মেনলেন্দগী ওথোরিটিশিংগী মতুংইন্না, মখোয়দা লোনা য়াদবা মওংদা বোর্দর লানবা অমসুং ইলিগেল বোর্দর ক্রোসিংগী থবক শিন-লাংবগী মরাল শিরগনি। চার্জশিং অসিদা কনভিক্ট তৌরবদি মখোয় চহী তরেৎ ফাওবা জেলদা লৈবা য়াই। লোনা য়াদবা মওংদা বোর্দর লাল্লম্বা হোং কোংগী মীওই ১২গী ইনভেষ্টিগেসন লোইরে হায়না মেনলেন্দগী খা থংবা সিটি সেনঝেনগী য়ান্টিয়ন দিষ্ট্রিক্টকী ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখি। নুপা ১১ অমসুং নুপী ১ হৌখিবা ওগষ্ট ২৩দা চাইনিজ কোষ্টগার্দনা ফাখি। মখোয়গী মনুংদা খ্বাইদগী নহা ওইবদু চহী ১৬কী মীওইনি।

দিটেনিশিং অসিগী মনুংদগী মীওই তরেৎকী ইমুংশিংনা থা অসিদা অপূনবা ষ্টেটমেন্ট অমা থোক্কুনা হায়খি মদুদি চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা পীবা লিষ্টতগী খনবা মখোয়গী উকিলশিংনা চপ মান্নবা ৱারোল য়াওবা লেট্টরশিং থাদুনা জেলগী ফীভম য়াম্না ফৈ হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা মখোয়গী ইমুংশিং অমসুং যুমলোন্নরিবশিংদা মখোয়গীদমক্তা ৱাদনবা হায়খি। ইমুংশিং অদুনা লেট্টরশিং অদুগী ৱারোলদা চীংনবা ফাওই হায়খি।

দিটেনিশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা এন্দি লিগী মচে বিএত্রিস লিনা ইরাই নুমিৎতা এজেন্সীগা উনবদা দিটেনিশিংগী লিগেল প্রোসেস অদু ফজবা মওং ওইদে হায়খি।

দিটেনি চেং সজ হোগী অপোকপনা ফোঙদোকখিবদা ৱায়েল থুরিবমখৈ মখোয় কয়াম কুইনা দিটেন তৌগদগে হায়বসি হেন্না থুনা খঙবা ঙমগনি। ঐখোয় মওং মরীল তাবা অচুম্বা ৱায়েল পামই। হোং কোংগী ওটোনোমিগী চাংগী মতাংদা কিনবা হেনগৎলক্লিঙৈদা সিটি থাদোক্কুনা চেন্নবা হোৎনরিবা মীওই কয়া চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফাগৎলকখিবগা লোয়ননা মখোয়গী কেস অদুনা হান্নগী বৃটিশ কোলোনি অসিদা মালেমগী মীয়াম্না মীৎয়েং চঙনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা ভেক্সিন সেন্টরশিং য়েংশিল্লগনি

ন্যু দেল্লি, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী) : প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা থাংজ নুমিৎতা নুমিৎ হুমনিগী ওইবা খোঙচৎ অমা পাঙথোক্কুনা কোভিদ ভেক্সিন দিভলপমেন্ট অমসুং মেন্যুফেকচরিংগী প্রোসেস মশানা রিভিয়ু তৌরগনি।

নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎ অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অহমেদবাদতা লৈবা জে ইদস বাইওটেক পার্ক, হায়দ্রবাদকী ভারত বাইওটেক অমসুং পুনেদা লৈবা সেরম ইন্সটিট্যুসনগী থবকশিং হকথেংননা য়েংশিনগনি হায়না পি এম ওনা ত্বিটরদা ফোঙদোকখি।

কোভিদ-১৯ থেংনবগী লাঞ্জংদা ইন্দিয়ানা অরোইবা তাঙ্কক য়ৌশিল্লকখিবগা লোয়ননা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফেসিলিটিশিং অসিদা চৎতুনা সাইন্টিষ্টশিংগা খন্ন-নৈনবা অসিনা ইন্দিয়ানা লৈবাক অসিগী সিটিজনশিং ভেক্সিন থানবা পায়খৎলিবা থৌরাং, থবক অসিগা মরী লৈনবশিং অমসুং শেম শাবগী থবকশিং করি ফীভমদা লৈরিবগে হায়বদু মশামক্লা খঙজবদা মতেং ওইরগনি হায়না পি এম ওনা মখা তাখি।

হায়দ্রবাদকী খোঙচৎতা প্রাইম মিনষ্টরনা ভারত বাইওটেক্কী ফেসিলিটিশিং য়েংশিন্দুনা ভেক্সিন শেম শাবগী প্রোসেস অমসুং মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা অয়াবা পীরক্লবা মতমদা ভেক্সিনগী দোজশিং শানবা শেম শাবগী মওংশিং খঙদোক্লবা হোৎনগনি। ভারত বাইওটেক্কী ওফিসলশিংনা প্রাইম মিনিষ্টরদা ভেক্সিন দিভলপমেন্ট অমসুং মখোয়বু লোঞ্চ তৌবগী থৌরাংশিং মরীক চুম্না খঙহনগনি। হৌজিক কম্পনি অসিনা লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা সেন্টরশিংদা মখোয়গী ভেক্সিন অদুগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং পাঙথোক্লি।

মেঘালয়াদা ইন্নর লাইন পর্মিট চৎননবা দিমান্দ তৌখ্রে

শিলোং, নবেম্বর ২৭ (এজেন্সী) : ওর্গনাইজেসন কয়াগী অপূনবা বোদি অমা ওইরিবা কনফিদরেসন ওফ মেঘালয়া সোসল ওর্গনাইজেসন (কো এম এস ও) না ইন্নর লাইন পার্মিট (আই এল পি) খুদক্তা থবক্তা ওন্থোক্লবা তকশিল্লদুনা ইরাই নুমিৎতা ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা বেন্নর কয়াগা লোয়ননা প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

কেপিটেল শিলোংগী মোট্ফ্রাম, খিনদাই লাদকুম্বা মী তিনবা মফমশিং অমসুং অতৈ মফম কয়াদা থেৎলিবা বেনরশিংদুদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি অমসুং যুনিয়ন হোম মিনিষ্টর অমিট শাহদা থিন্থবা তৌদনা মেঘালয়া অপূনবদা আই এল পি ইমপ্লিমেন্ট তৌনবা তকশিনখি।

বেনর অমদা মোদি ঐখোয় আই এল পি মথৌ তাই, অমিট শাহ ঐখোয় আই এল পি মথৌ তাই হায়না পনখি। বেনরশিং অদুনা সিটিজনশিপ এমেন্দমেন্ট এক্ট (সী এ এ) কন্দেম তৌবগা লোয়েননা আই এল পি অসি মেঘালয়াগী য়েলহৌমীশিংগী অনীংবা অপান্বশিং ঙাক শেঞ্জনবগী মেকানিজমনি হায়খি।

কো এম এস ওগী এক্টিভিটিষ্টশিংনা প্রাইভেট অমসুং পব্লিক্কী গাড়ীশিংদা অমুবা ফিরালশিং থেৎখি। হিনিৱত্রেপ যুথ কাউন্সিল (ঐচ ৱাই সী) না লুচিংবা কো এম এস ও অসি আই এল পি থবক্তা ওন্থোক্লবা তকশিন্দুনা লাকপা মেঘালয়াগী খাসি জেন্টিয়া অমসুং গারো হিলসকী ওর্গনাইজেসন ১২ হেনবগী অপূনবা বোদি অমনি। কুমজা ২০১৩দা কোংগ্রেসনা লুচিংবা গভর্ণমেন্টনা আই এল পি রিজেক্ট তৌখিবদগী ঐচ ৱাই সীনা মেঘালয়াদা আই এল পি থবক্তা ওন্থোক্লবা তকশিল্লদুনা চঙশিল্লকখিবা খোঙজং হেন্না কনশিল্লকখি।

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ / **খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা হান্বা চঙলুরগা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নগা তোকপা, খোঙ হাম্নবা হোৎনবদা হকচাংদা অৰাবা ওইবা, অমাংথোঙময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দা ইনা য়াৎপগুম্না মফম অনী চেখায়বা, খোঙ হান্বা মতমদা লৌকাঙগুম্বা অমুবা মচু হান্নকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হান্বা য়াদবা, খোঙ হাম্নিং-হাম্নিং তৌরগা হান্বা চঙলুরগা হামেং মথিগুম্না মরূ-মরূ খজিক্তং হান্নকপা, খোঙ হান্বা য়ানবা ঈদাক চারগনা হান্বা, ঈদাক চাদ্রগনা হান্বা য়াদবা, খোঙ হান্বা য়ানবা হোৎনবদা হকচাংদা অৰাবা ওইবা, খোঙ মপূং ফানা হান্বা য়াদবনা মরম ওইদুনা চাবা-থকপসু য়াদবা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা চানিং-থক্লিংবসু পোক্তবা, অমাংথোঙ ময়াদা হৱাই মঙ্গল মরূমুক চাওবা অমা পোমথোক্লগা লৈবা, অমাংথোঙ মপান্দা ইনা য়াৎপগুম্না মফম অনী চেখায়বা, খোঙ হান্বদা য়াম্না থুপ্পা অমদি খোঙ হান্বা লোইশিল্লগা চান্বদসু য়াম্না থুপ্পা অমাংথোঙদা চেখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা, করিগুম্বা মতমদা খোঙ হান্নকপা মতমদা লৌকাঙগুম্বা অমুবা মচু হান্নকপা, পূক য়াম্না কন্না য়েক্লকপা তারগদি লৌকাঙগুম্বা অমুবা মচু অদুম হান্নকপা, অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা লোইরগসু মিনিট ১০মুক চিক্লগা লৈবা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, বেক বোনদা চিকপা, খ্বাঙ নাবা, কাময়া অনীমক নাবা তৌরম্বা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6537/28 *থাগৎচরিবা :* **M. Herojit Meitei,** Patsoi Part-I

পেন্সন ফন্দ রেগ্যুলেটরি এন্দ দিভলপমেন্ট ওথোরিটি

বি-১৪/এ, ছত্রপতি শিবাজি ভৱন, কুটব ইন্সটিট্যুসনেল এরিয়া,
কটৱারিয়া সরাই, ন্যু দেল্লি - ১১০০১৬

সেপ্টেম্বর ২৫, ২০২০

পব্লিক নোটিশ

পি এফ আর দি এ / এন পি এসকী মীংদা নমথাক্কী ওফরশিং তৌবগী মায়োক্তা চেকশিন্নবা হায়বা

পুকচেল শেংদবা এলিমেন্ট খরনা পি এফ আর দি এগী মীংদা এন পি এস/পি এফ আর দি এদগী য়াল্লবা শেনফম থাদোক্লগনি হায়না থাজবা পীদুনা ফোন কোলশিং তৌরে অমসুং শেনফম অদু থাদোকপগা মরী লৈননা নমদুনা শেল লৌথোকপা য়ানবা মশক খঙবা ঙমদবা কোল্লরশিং অসিনা নমথাক্কী এক্সপ্লেনেসনশিংসু পী হায়বসি খঙবা ঙল্লে।

পি এফ আর দি এ অসি নেসনল পেন্সন সিষ্টম (এন পি এস) রেগ্যুলেট তৌরিবা ষ্টেচুটরি বোদি অমনি হায়বসি মরী লৈনবশিংদা খঙহল্লি অমসুং এন পি এস/পি এফ আর দি এগী মীংদা চিংনবা লৈত্রবা সিটিজনশিংদা নমথাক তৌনবা হোৎনরিবা অসিগুম্বা পুকচেল শেংদবা মীওইশিংগী থৌওংশিংদা থাজবা থমদনবা মীয়ামদা খঙহল্লি।

পি এফ আর দি এনা ইন্দিভিজ্যুএলশিংদা ফোন তৌদুনা এন পি এস/পি এফ আর দি এদগী ফন্দ লৌবা য়ানবা শেল দিপোজিট তৌ হায়না হায়জবা অমত্তা লৈতে। অসুম্না নমথাক তৌরগা শেল লৌথোক্লবা কোল তৌরক্লবদি খুদক্তা পুলিসতা পাউ পীবিয়ু।

davp 15102/11/0011/2021

ꯈꯪꯍꯟꯖꯕ / খঙহঞ্জবা

মণিপুর ফাইনান্স (প্রাইভেট বেঙ্ক)কী মেনেজিং দিরেক্টরগী মফমদা খঙহঞ্জরি মদুদি- নহাক্লা লিজ ইন্নদুনা নোংমৈবুং নাম্বম চুথেক্তা ৱায়খিবা য়ুম (Basement) অদু তাং ২৩/০৪/২০২০ দা মতম লোইখ্রে। অমুক হন্না লিজ অদু ইন্নদুনা থাগী পীফম থোকপা ভরা পীথোকপা তৌদনা ঙসি ফাওবা য়ুম অসি নহাক্কী ওফিস ওইনা কনশিন্দুনা থল্লক্লিবসি থা ৯ (মাপন) লোম শুজিল্লক্লে। মরম অদুনা ঙসিদগী থা ০১গী মনুংদা হায়রিবা য়ুমসি শুকশোয় শোয়দনা থাদোকপীনবা পাউচে অসিগী কলমদা পাউজেঞ্জরি। মথক্তা পীজরিবা মতম অসিগী মনুংদা নহাক্কী ওফিসকী চে-চাং অমদি পোৎ-চৈ পুম্নমক অমত্তা চিথবা তৌদনা পুথোকপীখো। নৎত্রবদি থা হেক ফাবগা মথংগী তারিক্তা হায়বদি ২৯/১২/২০২০ দা লোল্লম্বা ছো অদু লৌথোক্লগা য়ুমবুনা মফম অদু অমুক হন্না শীজিন্নরগনি।

Name of House Owner : **N. Sarda Devi**
Nongmeibung Nambam Chuthek
Imphal East, Manipur

HL-P/8120/28

ꯑꯔꯥꯕ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯄ/ অৰাবা ফোঙদোকপা

Khekman Wangmataba High School (Aided) Zone III Thoubal গী Founder Headmaster ওইবীরম্বা Shri Asem Amu Singh না হৌখিবা নবেম্বরগী তাং ১৬/১১/২০২০, নিংথৌকাবা নুমীৎতা ইখঙ খঙহৌদনা লৈখিদবদা Khekman Wangmataba High School গী Teaching and non-teaching staff শিংনা তাং ২৪/১১/২০২০, গী অয়ুক পুং ১০.৩০ তাবা মতমদা School গী Teaching common room দা মিনিট ২.০০ তুমিন্না লৈদুনা অৰাবা ফোঙদোকখ্রে। অরোইবদা লৈখিদ্রবগী ইমুং-মনুংগী অৰাবদা শরুক য়াজরি।

অৰাবা ফোঙদোকচরিবা : Khekman Wangmataba High School গী Teaching and non-teaching staff
Thoubal Khekman

HL-P/8118/28

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পাউচেগী থোঙদা নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি

সুধাকর

সগোলবন্দ খম্নাম লৈরক ইন্ফাল আই টি আই মনাক্তা লৈবা নুঙগী লায়েংবা বাবা লাইশ্রম নবকিশোরগী মচানুপা ইয়াম্বা লাইশ্রম সুধাকরনা লায়েংবীবদগী ঐগী কিদনি য়েৎলোম-মাইরোমদা নুঙ অমমম্ অদুগা য়েৎ থংবা ঈশিং মরীদা নুঙ অমগা পূন্না নুঙ অহুম লৈরম্বা অদু ইয়াম্বনা হপ্তা মরি লায়েংবীবদগী তাখ্রে। মসিগীদমক ইয়াম্ববু ঐনা পাউচেগী থোঙদা হন্না-হন্না নুংঙাইবা ফোঙদোকচরি।

থাগৎচরিবা :- **Shylash M.**
Lilong Chajing

HL-P/8116/28

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR MOIRANG

Ref :- Mutation case no. 291/SDC/M dt. 27/11/2020

1. Moirangthem Budhi Singh S/o (L) Amu Singh of Ithing
2. -do- Ibomcha Singh S/o (L) -do- of -do-

-Vrs-

Late -do- Amu Singh S/o (L) Ato Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Nov., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৬৬-ইথিংদা লৈবা পাট্টা নং ১৮ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২৩ এরিয়া ০.২৩ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ২ মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: কো-পাট্টাদার নং ২গী এরিয়া ০.০৫৫ একর চাওবা ইংখোল অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চংথগনি।

HL-B/6566/28 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER (V)

Ref :- Mutation case no. 356/AS & SO-(V) 2020

Laishram Ningol Soraisham (ongbi) Bhartsana Leima D/o Late Chaoba Singh of Khurai Thangjam Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Laishram Chaoba Singh S/o Late Sekhor Singh of Khurai Thangjam Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 27-11-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং 25-Soibam Leikai গী পাট্টা অরিবা নং .... অনৌবা পাট্টা নং 1127 দাগ নং 185/740 এরিয়া .05 চাওবা ইংখোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদরগী মমিং কক্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইংখোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি, তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer (V)
Imphal West

HL-P/8119/28

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR KAKCHING

Ref :- Mutation case no. 266/SDC/Hiyanglam 04/11/2020

Lourembam Sharatchandra Singh S/o (L) Lourembam Anganghal Singh of Wabagai Makha Leikai, M.I. Road. -Petitioner

-Vrs-

Lourembam Anganghal Singh S/o (L) Amu Singh of Wabagai. -Opp. Party

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Kakching, the 24/11/2020

Under Section 46(3) of ML & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচীং তহশিলগী মনুংদা লৈবা খুল নং ৬৬ পাট্টা নং ১০১২ অরিবা, ৮৮১ অনৌবা দাগ নং ১১৭০গী এরিয়া .৫৯০০ হেক্টর চাওবা তাওথবী মফম অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীয়ু হায়দুনা উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চংথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Hiyanglam

HL-B/6562/28

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR MOIRANG

Ref :- Mutation case no. 292/SDC/M dt. 27/11/2020

1. Ningthoujam Nirupama Devi D/o N. Ibotombi Singh of Moirang Khoiru Leikai.
2. Ningthoujam Roni Devi W/o Late Sunikanta Singh of Moirang Khoiru Leikai.

} 0.08 acres

-Vrs-

Late Ningthoujam (N) Yangbem (o) Chaoba Devi W/o Binoy Singh of Terakhongshangbi.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Nov., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৫১-ঙাঙ্খা লৱাইদা লৈবা পাট্টা নং ৮৩১ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২৪২৭ এরিয়া ০.৩১ একর অসিগী মনুংদগী ময়াইদা এরিয়া ০.০৮ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদার নং ১ অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা মৃ: কো-পাট্টাদার নং ১গী শরুক্তগী মথক্তা পীরিবা দরখাষ্টকারিশিং অসিগী মিংদা ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা আপতি তৌবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চংথগনি।

HL-B/6566/28 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Moirang

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation case no. 221/SDC Kakching 4/11/2020

Moirangthem Shodeva Singh S/o M. Millan Singh of Irengband Mayai Leikai. -Petitioner

-Vrs-

Late Moirangthem Nando Singh S/o (L) M. Yaima Singh of Irengband -Respondent

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 4/11/2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা তহশিল খুল নং ৬১-ইরেংবন্দ পাট্টা নং ৩১৩/৮৫৫ অনৌবা দাগ নং ২৩৮৩ এরিয়া .০৬৮৭ হেক্টর ইংখোল/ফৌরেল/লৌফম অঙনফৌ অসিগী পাট্টাদার মৃ: মোইরাংথেম নন্দো সিংহ সাং ইরেংবন্দ অসি মৃতু ওইখ্রে, মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ইংখোল/ফৌরেল/ অঙনফৌ লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চংথরগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector
Kakching

HL-B/6561/28

IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR MOIRANG

Ref :- Mutation case no. 290/SDC/M dt. 27/11/2020

Moirangthem Dukanjao Singh S/o (L) Ibotombi Singh of Ithing Mamang Leikai.

-Vrs-

1. Late Moirangthem Yaimachou Singh S/o Late Tompok Singh of Ithing.
2. Late -do- Amu Singh S/o Late Ato Singh of -do-

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Moirang, the 27th Nov., 2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি। মদুদি খুল নং ৬৬-ইথিংদা লৈবা পাট্টা নং ১৮ অনৌবা সী এস দাগকী নং ২৩ এরিয়া ০.১৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী কো-পাট্টাদারশিং অসি মৃ: ওইখ্রে। অদুনা এরিয়া ০.১৬ একর চাওবা ইংখোল অসিগী মনুংদগী এরিয়া ০.০৭ একর চাওবা ইংখোল অসিগী মিং ওনবীরো হায়না উক্ত কোর্টতা দরখাষ্ট থারক্লে। অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্টতা আপতি তৌরবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা আপতি লৌজরোই। উক্ত কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চংথগনি।

HL-B/6566/28 **Sd/- Sub-Deputy Collector,** Moirang

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/ পাইলসকী ওইনা মণিপুরদা ওজা অব্দুল হক অতাঙবনি

অমুক্তং ওজা Kabiraj Abdul Haque কী হীদাক চাদুনা পূন্সি নুংঙাইনা লৈবীয়ু, মরমদি ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৰাবা অসি মণিপুরগী মফম কয়াদা চৎতুনা লায়েংজখি, শেলখক্তা চঙখি অনাবদি ফবা ঙমদে, মমৈথংদা ওজা Abdul Haque থেংনজরুবদগী ওজাগী হীদাক চাবদগী ঐঙোন্দা লৈরম্বা পাইলসকী অৰাবা খোঙ হান্বা য়াদবা, ঈ তাবা, চেখাইবা, শৌজদা থুপ্পা-শাবা-চিকপা অমাংথোঙগী অকোয়বদা মকুপ-মকুপ শৌবা, শোকপদা নাবা, শৌজদা ইনখৎত্রিফাওবা চঙউ য়াদবনি। অৰাবা নুংঙাইতবা পূম্নমক অসি ঙসিদি মপূং ফানা ফজরে। অনাবা লৈতবগুম ওইরে। ওজাবু ঙমখৈ লৈতনা পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোঙদোকচরি। ওজাগী Contact No. : 8794429681, 8014623756 নি।

ওজাগী লায়েংলিবা মফমদি :-
1. Wangoi SBI Awang, Near Oil Pump (6 am to 5 pm)

থাগৎচরিবা : **Kh. Hemanta**
Thoubal Khekman

HL-P/8117/27

ꯊꯥꯒꯠꯆꯔꯤ/**খোঙ হান্বা খূদিংগী অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা অৰাবা ওইবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপা, খোঙ লিক্লা হান্বা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা ফহনবগীদমক ওজা অজাদপু থাগৎচরি।**

ঐগী হকচাংদা নুংশংনা নাদুনা খোঙ হান্বা খূদিংগী অমাংথোঙদা চিকপা-নাবা, খোঙ হান্বা চঙগনি খনবদা অৰাবা ওইবা, অমাংথোঙ ময়াদা পোমথোক্লগা নোংম-নোংমগী চাওখৎলকপা, খোঙ লিক্লা হান্বা, অমাংবদা ঈ তৈরকপা, পূক্তা গ্যাষ্ট্রিক কারগা পূক কংখৎপা, গ্যাষ্ট্রিক অদুনা হকচাংগী মফম খূদিং কোইচেন চেল্লগা চিকপা-নাবা, থবক্তা গ্যাষ্ট্রিক অদু চেনখৎলগনা থবাক নাবা, শ্বর ফুনগৎপা, অমাংথোঙদা মরেং-মরেং চৎলগা হাক্কৎচবা, চীঞ্জাক কন্ট্রোল তৌরগনা খরা ফবা, অমাংথোঙ মনুংদা চক্-চক্ থিল্লগা চিকপা-নাবা, পূক্তা মতুম অমা লৈবগুম তৌরগা কোইচেন চেল্লগা নাবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, চাবা তুমদবা, পূকচেপ নাবা, থজিন শাওগৎপা, কোক লুম্বা, ঙকশম মরী নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, খ্বাঙ নাবা, ফম্বী শোনবা, অহিং মপূং ফানা তুম্বা য়াদবা, খোঙয়া অমদি লৱাই শাবা অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা ওজা MV Azad Phusam ☎ 9089738275 / 7628890261 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা Azad পু থাগৎচরি।

ওজাগী লায়েংফমশিংদি :
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Mayang Imphal Konchak Bazar (6am to 10am)
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (only Saturday & Wednesday open)
3. Yairipok Bazar near traffic point. (only Sunday open)

HL-P/8106/28 *থাগৎচরিবা :* **Kh. Ranjan**, Thoubal

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, KAKCHING

Ref :- Mutation case no. 972/AS & SO-VIII/K 18/11/2020

Huidrom Sanajaoba Singh S/o Late Amujao Singh of Wabagai Awang Leikai.

-Vrs-

Huidrom Amujao Singh S/o Late Lala Singh of Wabagai Awang Leikai.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 24-11-2020

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি মথক্তা পল্লিবা পিটিস্নরনা তহশিল খুল নং ৬৮-হিয়াংলম পাট্টা নং ৬১১ (অরিবা) ১৮৫ (অনৌবা) দাগ নং ১১৮৬ এরিয়া ১.৩৪ (একর) হেক্টর ফৌরেল লৌফম অসিগী পাট্টাদার হুইদ্রোম অমুজাও সিংহ পীং মৃ: লালা সিংহ সাং ৱাবগাই অৱাং লৈকাই অসি মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মিং কক্থৎপীরগা পিটিস্নরগী মিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অদুনা ফৌরেল লৌফম অসি নামা পানখিবদা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি নোটিস অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে পীশিনবীগদবনি অমদি মশা হজির তৌবীগদবনি। মসিগী মতুংদা লাকপা আপতি লৌররোই কেস মখা চংথরগনি।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer
Kakching

HL-B/6562/28

ADVANCED COACHING INSTITUTE
ADMISSION OPEN
MEDICAL AND ENGINEERING FOUNDATION
FOUNDATION COURSE 2020
SEPARATE HOSTEL FOR BOYS AND GIRLS'
CLASS X(BOSEM)
CLASS X(CBSE)
CLASS XI (COHSEM & CBSE)
CLASS XII (Sc.,Arts & Commerce)
BATCHES
Morning: 4.30 -7.50 A.M & 8.15-11.30 A.M
Evening: 12.30-3.45 P.M & 4.30-7.45 P.M
LIMITED SEAT
FIRST COME FIRST SERVE
OFFICE HOUR : 11 A.M. TO 3.30 P.M
SPECIAL CONCESSION
1. 50% OFF IN REVISION COURSE (Ex student).
2. SPECIAL FEE CONCESSION ON 90% & ABOVE IN X EXAM.
3. REGULAR MOCK TEST SERIES ON EVERY SUNDAY.
4. SPECIAL FEE CONCESSION ON GOVERNMENT SCHOOL.
RAPID TEST SERIES ON EVERY SUNDAY
ADVANCED COACHING INSTITUTE NAGAMAPAL
advancedcoachinginstitute12@gmail.com
Whatapp no : 8787586090 / 9862992105
NAGAMAPAL LAMABAM LEKAI, NEAR RIMS ROAD JUNCTION
FOR QUERY : 9862992105
HL-B/6518/10Nov.-7Jan. (alt)